# মরাল লৈবশিং ফাদ্রে, মরাল লৈতবশিং ফারে, অচুম্বা লৈত্রে লৈবাকসে



## — মুতুম শান্তি —

(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

লৈবাকসিদা থোক্লিবা থৌদোক, মীয়াম্না তারিবা-উরিবা অসিবু করম্বা লৈঙাক্কী সাসন মতৌনো? কুকি লালহৌবা, হৌদবা কয়ানা আইন কায়বা ফাওবা ফাদ্রি। মীতৈ মীচম ইমা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী ঙাক্লিবা খুল ঙাকপা করি মরালদা ফারিবনো মীয়াম্না ৱাহং কয়া হংনরক্লি। ইচা কয়ানা খুল ঙাকপা থোক্লকখিবসিবু কুকি লালহৌবশিংগী কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চুড়াচান্দপুরদগী হৌরকখিবা মীতৈ মীচম হাৎপা, য়ুম মৈ থাবা হৌরকখিবদগী চোঙথোরকখিবা নৎত্রা? ঈরাং অসি লাক্ত্রিঙৈদা মীতৈ মীচম খুল ঙাকপা ইচাশিং লৈরম্ব্রা হায়বসি লৈঙাক্না খঙনা-খঙনা করিগী খঙশিন্নদবনো? খুল ঙাকপা ইচাশিংগী মরাল করিনো? লৈবাক ঙাকপশিংনা পাঙথোক্কদবা নথৌ মশক খঙদবদগী মীয়ামগী পূন্সি কন্নবা থোক্লখিবনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না খঙলিবনি।

মীয়ামগী পূন্সি কনবদা লৈঙাক্কী য়েক্লবনি খল্লবদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা করম্বা ৱাখল্লোন লাক্কনি হায়বসি লৈঙাকপশিংনা মুন্না খন্থবা মথৌ তাই। মণিপুরী মীয়ামগী থম্মোয়দা ওমদুনা চাক্লিবা মৈচাক অসিনা মৈগী চীংগুম পোকখায়রক্লবদি লৈবাকসি কাং-খোং চাইগনি হায়বসি ৱাখল খন্থহন্নীংই। লৈবাক মীয়াম্বু ইকায়খুম্নবা হায়বসি ফম্নাইবশিংনা মীৎকুপ অমত্তসু কাউফদে। ভোট মমাঙদা মীনম্লগা মীহুৎ হেক ওইহনখ্রবা মতুংদা লৈবাক মীয়ামবু য়েক্লবা ওইনা উরিবা করিগীনো? লমদমসিদা ঙসিগী ওইরিবা শক্তমসিবু মতিক চাদ্রবা লৈঙাকপশিংনা থোকহনবা নৎত্রা? হৌখ্রবা শাংলবা চহী কয়া নেসনল পার্টিনা পানবদা মীয়াম্বু নোংমগী মীকুপ অমা ফাওবা নুংঙাইবা ফংজখিদ্রবা মণিপুরী মীয়াম্নি।

লৈবাক অমগী লৈঙাক্কী থবক ফংহৌদবা, লৌরি-শিংজা লৈজদবা মীওই কয়াগী ফংফম থোকপা স্কিম কয়াবু কাঙলোন চুম্না করম্বা মতমদা কনাদা ফংহনবা ঙমখ্রবগে? লুপা ১০০০গী চাকথুং ফংনবা হোৎনবদা তঞ্জাই অমা ফাওবা ফংবা ঙমদে। ঙসিগী থবক শূহৌদ্রবদি চাকখুম মৈ মূৎকদবা লায়রবা শিন্মী অদু কয়ারক হন্না ওফিসতা লাকহন্দুনা মতম মাঙহনবীরি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা লায়রবশিংগী হক মৎপীরি। মরম অদুনা লৌমী-শিন্মীশিংনা লৈঙাক্কী চাকথুং ফজনা ফংবা ঙমদে। লৌমী-শিন্মীশিং ইশাগী নোংমগী থবক শূজবনা হেন্না ফৈ, মতম মাঙবনা হেল্লি হায়বসি মখোয়গী ৱাখলদা চাউনা মমি তারি।

মীয়ামগা য়াম্না নক্লনা লৈকায়দা মীহুৎ ওইনা খন্দুনা মেম্বরদগী এম এল এ ফাওবদা লৈরিবশিংনা ওফিসতা লুপা ১০/২০ চঙবগী মরুমদা লুপা লিশীং-লিশীং লৌবীরি। ওফিসকী কর্ম্মচারি মী অমদা লুপা ২০০/৩০০ পীরি। অহেনবা লুপা ৭০০/৮০০না মীয়াম থৌগল তৌজগে থাগৎখিবা মীহুৎশিং অমদি লৈকায়গী ওর্গনাইজরশিংনা চবুন-চবুন লৌথোকপীরি। লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী মফমদগী চাউরবা শেনফম শেন্দানফম ওইরি। অসিনি ঙসি লৈবাক অসিদা হিংলিবা লায়রবশিংগী পূন্সি মহিং 'অকুৎপদা লৈতৌরিবা' লমদম অমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইনাকখুনবগী থাদরকপা শেনফম নত্তে। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংগী মীওইশিংগী পীরকপা শেনফম্নি।

থাদরক্লিবা য়াম্লবা শেনফম্বু ফম্নাইবশিংনা চাম্মদা ৮০দি হুরানবীরি। লেমহৌরিবা চাদা ২০দি মীয়ামদা তাৎ-পাৎ তৌবীদুনা খরনা ফংলনি অয়াম্বনা চাকথুং ফংবা ঙমদনা লৈরি। লৌমী-শিন্মী কয়াদগী ৱানা তাঞ্জবা হুমাং মমলদগীসু শেল কয়া লৌথোকপীবা অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পীদবা, ঐখোয়দি শুকফং ফংদে হায়বনা অয়াম্বা ওইরি। মীওইবা ঐখোয়না খনগদবদি মীওইবা পূম্নমক চপ মান্নে। ঐখোয়গী থৱায় অমদি হকচাং অনী অসি থৱায়না তাইবঙ শেম্বীবা মপুনি অদুগা হকচাং অসিনা মপুগী লাইশঙনি। ঐনা ঙসি অৱাবা, নুংঙাইবা অনীগী মরক্তা হিংলিবসি ঐনা তৌজবা ঐনা ফংলিবনি। কনানসু খঙবা নত্তে, ইশাদা য়াওরিবা মপুনা পীবিবনি খঞ্জে। ঐগী ৱাখলনি। মীয়ামসু পূক্লিং চিংশিনবীয়ু লানবা-চুম্বা খন্থবীয়ু।

মীয়ামগী মমল য়াম্লবা শক্তি শিন্নখ্রবা মীহুৎশিং নশানা নশাগী ইকায়খুম্নবা য়াবা মফম থল্লিব্রা? পীকখ্রবা লমদমসিদা কনানা করি তৌরি হায়বসি শিৎ নান্না খঙনবা ৱাফম ঙাক্তনি। অচুম্বা, অফবা থবক থৌরম পাঙথোকমিন্নসি। অশি মচা ওইবা ঙসিগী অহল-লমন ঐখোয়গী চাউরবা ইথৌ ওইরি। মতমদি লেপ্পা লৈতনা চৎলি। অওনবসু মতম্না পুরক্লি। মীওইবা ঐখোয়গী পাঙথোক্লমগদবা ইথৌ কয়ানা মাঙদা চৎপা ঙমদে, তুংওইননা চৎলি। লৌশিংনা পূন্সিগী অমম্বা লম্বীগী মঙালনি। লৌশিংগী মৈরানা ঙসিগী অমদি তুংলমচৎকী চাওখৎ মায়কৈদা কাখৎপা ঙমগনি। ঙসিগী হিংলিবা মীরোলসিদি ফত্তবা মীনা লমজিংলিবা অমম্বা লম্বীদা মাদুনা চৎলি। তুংগী, ঙসিগী করি আশা লৈরিবগে? থবক অমত্তা শূদনা য়া কাখৎতুনা ঙাইরি। মীঙোন্দগী নীরগা হিংলিবা পূন্সি মরেল অসিবু মীওইবা অমগী তৌফম থোকপা ইথৌ ওইহনগুমসি। লুচিংবা ফত্তবদগী লৈবাক মীয়াম অৱাবনা খম থেংলিবনি।

অইবীনা খজিক নাথৈজরগা, মীতৈ ঐখোয় পূম্নমক্না ঐখোয়সি মীতৈ হায়বা ফুরুপনি হায়বগী ৱাখল্লোনবু মপূং ফানা খন্থবা ঙমজদ্রি। ইমুং খুদিংদা মীতৈগী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা লাইনিংথৌ সনামহি, ইমা লৈমরেল শিদবী, য়ুমগী মপান্দনা ইবুধৌ পাখঙবা লাৎলি। থা অমগী নোংমা পানবদা য়ুমথোঙগী ওইনা অথেনপোৎ কাদুনা থৌনিজরি। অদুগা য়ুমগী শুমাংদা কর্ম্ম অমা লাইশোল তৌবা মতমদা হিংদুগী লাই লেংশিন্দুনা খুরুমজে। মসিবু কদায় ফাওবা চুল্লিবা, লাল্লিবা থিদোকমিন্নসি। চৎন-কাঙলোন খুদিংমক মীওইবা ঐখোয়না শেমজবনি। লাইনিং লাইশোল ফাওবা ইশাগীদা হঞ্জিজবা ঙমদবসি অঙকপা ফাওই। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবগী ইমুং মশিংদি য়াম্না য়ামখৎলক্লি। অদুবু মতুং তারকপা থৌরম কয়াদদি মীতৈগী অশেংবা শক্তমদি ময়েক শেংদ্রি। ৱাফমসি মীতৈ ঐখোয়গী ৱাখল খন্থদবা পূক্লিং হকচাং অনীগী অশোয়বা খোঙথাংনি। মীতৈ ওইগে হায়বা অমা, হিন্দু ওইগে হায়বা অমা চপ চাবা ফিরেপ অমদা লেপ্পা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? ঐখোয়সি ইশাগী লাইনিং থাদোক্তুনা মীগী লাইনিং লৌরবদি মীনাই ওইগনি হায়বদু কাউথোকপদি লানগনি ইরৈচাশিং।

চহী চা কয়াদগী শোয়রগা লাক্লবনিনা ঐখোয়গী ইরমদমসিগী লৈহৌচা ঐখোয় কয়াদা ৱানা হিংলি। ইশানা ইশাবু শক খঙদনা হিংলি। 'লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্না চঙই' হায়বা পাউতাক কাউথোকপীগনু। ঐখোয়গী খুন্নাইসিবু কঞ্জবা হায়বদি ঐখোয়না পরিং চুম্না চৎকবদনি। ইশাগী লাইনিংদা খোঙদামিন্নরসি। ঐগী ইমুংগী ইচা-ইশুগীদমক অশেংবা শক্তম ময়েক শেংনা তাকপী তম্বীরল্লসি। ৱাদুনতা লাক্লবা মীতৈ খুন্নাই কল্লল্লসি ঙসিগী মীরোলনা। নোংমা নোংমা হৌখিবনা অরোইবা মতম খঙহৌদনা লাকখিবনি। পেন্দবগী মৈচাক্লা লেপ্পা লৈতনা চাকহৌগনি।

লায়রবগী চৈথেংনা ৱারবশিংগী মীৎনা উবা পাউদম খরদং থমজরি। মদুদি লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙদা লায়রবনা মশীং য়াম্বা লমদমসিদা লায়রবা ইমুংদা খম থেংনা ৱারিবসিনি। য়ুম লাপ্পা, চীংগী অমদি খুঙ্গংগী মীওইশিংদনা হেন্না ৱারি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা রিমস হোস্পিটাল লম্ফেলদা লৈবা অসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসিগী মতাংদা ঙল্লিবদি অনাবা ৱার্দতা লৈবা অনাবা অমগী ঈ কাপ্পা মতমদা ঈ পীনবা দোনর অমা পীগদবনি হায়রি। মী পীরিবা অদুনা লোইদে। ঈ বোট্টল অমা লৌরমদাইদা লুপা ৩৫০ দিপোজিৎ তৌহল্লি। ঈ বোট্টল ১/২ কাপ্পা অনাবদদি খরা ফরি। ঈ বোট্টল ৫/১০ কাপ্পদদি অৱাবা ওইরি। খুদক্কী লায়েংফম ওইরিবা কেজুএলিটি মমাঙদা ফার্মাসিগী মীওইশিংনা হীদাক কাপ্পনবা প্লাষ্টিক্কী আইটেম কয়া দুকান্দা লুপা ২০ পীবদু লুপা ৮০/১০০দা য়োনশিল্লি। লায়েংশঙগী ওথোরিটিশিংনসু করিসু হায়দে। হৌজিক হৌজিক রিমস অমদি জেনিমসতা ভিজিটিং অৱার থমখিদ্রে। ৱাথোক চাওরক্কনি, তৌবীনু। সিবা-চঙবগী লংদাইদা হোস্পিটালদা লৈখ্রবা অনাবশিং উনজনবা, পুকমেল পাওমেন্নজনবা নত্রগা অঙম্বা মতেং পাংজনবা হান্নগুম অকক্লবা মতম খরদংদি ভিজিটিং অৱার থম্বীনবা হোৎনবীয়ু।

মখল কয়াগী টেষ্ট তৌবদসু ৱার্দতা চঙদুনা মমল ৱাংনা লৌবীদুনা খম থেংনা ৱাহল্লি। য়েংহৈদ্রবা থৌদোকশিং অসি লেপ্পীয়ু। ওপরেসন তৌরমদাই ক্লোরোফোর্ম থারমদাইদা মফমসিদা ওপরেসন তৌবা য়ারোই হায়দুনা কাণ্ঠিপুরদা লৈবা প্রাইভেটকী লায়েংশঙদা রিমসকী ডাক্তর মশামক্না পদুনা ওপরেসন তৌখি। অনাবা অমা লাকপদা শেল য়াম্না লৌহৌনবা হোৎনরিব্রা? শেম্লোক লৈজদবা অনাবগী ইমুংশিংদা খুদক্কী ওইবা শেল লৈতবনা লৈফম য়ুম মচেৎ অমা য়োনবা তারক্লি। অপীকপা মমল ওইরবদি পুন্না য়োনবা তারি। শেঞ্জাও পায়বা মীদুনা অমুক অহোঙবা মমলদা লৌনবা হোৎনরি। অসুম্না লায়রববু উফুল তনা নৈখায়বীরি। লায়রবগী হিংফমসি কন্দায়দনো, কদোমদনো চেনফম লৈতনা শিবা ঙাইবদা তারি। অশোনববু তুহৎপীবা অফবা ফল ফংগদ্রা?

মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙ রিমস, জেনিমস, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিংনা অনাবশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং অথুবা মতমদা হোংদোকপীয়ু। ডাক্তরশিংনা মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা লায়েং-পথাপ খুদিংমক অচুম্বা, অফবা নুংশিনা মতেং পাংবীয়ু। ডাক্তরগী তুংগী পূন্সিদা ইমুং-মনুং খ্বাই পূম্নমক্তা য়াইফবা পুরক্কনি। শিদবা মপুগী চৈরাক্তি শেলনা মেনবা য়াদবনি। ফংদবসু লৈতবনি। শেলগা, মীওইবগা চাংদম্নবীগনু। মীওইবা খুদিংমক চপ মান্নে। নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পাইদনা মীয়ামগী থৌগল ফংজরিবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু পূক্লিং চঙনা পাবীরিবা ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংবু অইবীনা পাউচেগী থোঙদগী লাপ্পা পুনেমজরি। ●

# মীয়ামগী মমি মখল-মখল

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

মণিপুর অসি অহুম থোক্না য়েন্নরসি হায়বদা কনানা শাউবগে? মীতৈনা শাওই। কনানা হরাওবগে? কুকিনা হরাওই। মীতৈগা কুকিগা অনীসি নত্তবা কনা কনানা মণিপুর অসি মচেৎ য়েন্নসি হায়বদা শাউবগে, শাউদবগে। মণিপুর য়েন্নথোকপা য়ারোই হায়দুনা টেলিপতিরোমদগী বিহারিনা য়ানীংদবগী খোল্লাও লাউরকপ্রা? ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা বেঙ্গোলিশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরকপগী ৱা অমত্তা পাউচেদা য়াওরকপা থেংনদ্রিবা মাল্লি। নেপালিশিংনা মণিপুর য়েন্নবা য়ারোই হায়দুনা ৱাকৎ খোঙচৎ শিল্লকপা হৌজিক ফাওবদদি তাদ্রি। কুকিনা মণিপুর মচেৎ তানবা নোংমৈ কাপ্লিঙৈসিদা মাঙ্গোন্দা ফমদুনা লৈরগা মচেৎ কেল্লকপা ঙাইবসু য়াওরি। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লিঙৈ মনুংসি শেন্দোং য়াম্না তানবা য়ারবা মতমনি হায়দুনা খা-ৱাং কোইচেন চেন্দুনা কুকিগী মরক মীতৈগী মরক ফাওদোকপসু য়াওনরি। পূম্নমকসি মাগী-মাগী অশেংবা থম্মোয়গী ৱানি। মণিপুর অহুম থোক্না য়েন্নসি হায়বদা শাউদ্রিবা মী মহাক্তুগী মশক থীখ্রবা মমা অশোনবদু অহুম থোকসিবু হায়জরোই, ময়ায়দা অনীদং থোক্না য়েন্নসি হায়রুবদা ইমুংদা চেনশিনখ্রগা থাঙ পায়দুনা চেন্থোরক্কনি। মমা শকথীবদু মচেৎ য়েন্নসি হায়বদা শাউনীংলিবা মানা মণিপুর অসি অহুম থোক্না য়েন্নরসি হায়রকপদা শাউনীংদ্রিবসি করিগীনো হায়বা ঐদি খঙজদ্রে। শাউনীংবদি মালহল্লগা তাদুনা সুম লৈরিবা মী খরা অসিনা করি খল্লিবনো হায়বা সিমসু ঐ খঙজদে। মখোয় মশা মশানদি লোইনা খঙজরমগনি। খঙলবসু হায়দোকপীরক্কনু। অতাবা মীনা নখোয়বু চিন্থীবনি হায়বা শোয়দনা খঙখিনি।

হৌজিক মণিপুরদা কনা কনা নুংঙাইরি হায়বা থিদোকসি। মীতৈদি হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না ৱারে। অতৈসু ৱাদবদি নত্তে। ৱারবসু মখোয়দি ফাগি তৌরকপদা নোকপা য়ারি। মীতৈদি ফাগি তৌরকপদা নোকত্রে, শাউরে। মীতৈ হৌজিক মীনা ফাগি তৌরকপদা উগদবদু মীনা অপঙবা মানখিনি হায়দুনা নোকপা য়াওরি। লৈবাক ঙাকপনি হায়বা এম এল এ ময়াম হৌজিক নোক্লি। লৈবাক মপুনি হায়বা লুচিংবসু অদুম নোক্লি। মখোয়না মীয়ামগী মহুৎ শিল্লিবনিনা মখোয়না নোকপদা মণিপুর নোক্লবনি হায়দুনা দেল্লীনা ঈরাংসি নেমথরে হায়দুনা মরক্তা হেক-হেক কারন ঙাঙলক্লিবসি। অহানবদদি কুকিখক্তনা কাতু-কারন ঙাঙবা ওইনা ঐখোয় খল্লম্মী। অদুগদি ঈরাংসি সুম কুইরকপদৈদি দেল্লীসু কুকিদৌনা কাতু-কারন ঙাঙবা য়াম্না হৈরল্লে। শেরান তুরান্দা ঙাঙবা অনী পুল্লগা মণিপুরগী মরমদা য়াম ফজনা নৈনরকপদৈ মীতৈদি কোক্কী বেরা অমা হায়বদি সাইকিনা নাবা মী ওইবা হৌরক্লে। চাক চাবদা পুখমদা য়েংদ্রে। থোঙনাওদা য়েংলগা চাক হুক্লে। ৱাকিং চৎপদা লম্বীদা য়েংদ্রে। চীংদা য়েংলগা চৎলে। মন্ত্রি উবদা ইকায়রে। পুলিস উবদা নোক্লিংলে। ঐখোয়গী সী এম-হায়বা ৱাহৈসি চিনফা ফজনা পুবা ঙম্নবা নোংমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা চাম্মদগী তাদনা শোন্নরে।

ঐখোয়না পেন্দবগী সুম হায়জবনি। মণিপুরদি শুংকায় কায়রোই। মীতৈনা সুম ফম্লগা লৈথোক্লবসু, ঐখোয় মশেল মরৈ য়েৎনদুনা লৈরবসু মণিপুর থুগায়বদি কনামতগী মতিক নত্তে। মসি শুমাং লীলাদা ওইরবদি নুংঙাইনা অদুম হায়বা য়াবা ৱানি। মদু খুন্নাইগী মমি ওইগদৌরিবনি। হৌজিক্তি ঈরাংসিনা মরম ওইদুনা শুমাং লীলা শান্নদ্রবনিনা খুন্নাইগী মমি কদাইদা তারিবনো খঙনদ্রে। অদুবু মমি লৈতবা খুন্নাইদি লৈবা য়াদবনিনা মমি তাফম অমা লৈরল্লে। ঙসি ওইরিবা মীতৈ খুন্নাই অসিগী মমিদি ঐখোয়গী এম এল এশিংদা চাউনা তাদুনা লৈরল্লে। মখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবনি হায়বসি হৌজিক ফাওবা খঙজদ্রিবা ঐখোয় ময়ামগী মমি ওইনা এম এল এশিংনা হৌজিক দেল্লীদা ৱা অমত্তা হায়দদুনা লৈরিবসিনি। এম এল এশিংগী হায়বদি মীহুৎ অমগী মথৌদি মীয়ামগী থৌগল তৌবনি হায়বা খঙবা লৈকায়গী মীয়াম্না জোব কার্দকী থবক শূরিঙৈদা মন্ত্রিনা য়েংশিনবা লাক্লিবদুনি। নহানসু ঐখোয় লৈকায়গী জোব কার্দকী থবক শূরিঙৈদা ঐখোয় এ সীগী এম এল এ লাক্লম্মী হায়। মীয়াম তিল্লম্বদুদা এম এল এসু ৱা খরা হায়রম্মী হায়না তাজৈ। মানা হায়রম্বদু ইনে মালিকানা মৈরা শঙদা মীয়ামদা তম্মী - ঈরাংসি সূনা থোকহনবনি। মসি ফনবা এফ এম আর লৌথোকখ্রে। ময়াম তূমিন-তূমিন লৈনৈ। অসুম্না এম এল এশিংসু তূমিন্না অদুম লৈনরি। ●



# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শুমাং-লীলানা মফম খঙদ' মাঙখিবদা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

উথক্তা পানবা হৈ, মমুন ফারবা হৈদু মতাং-মতম চানা হেকহৌদ্রবদি পত্তুনা, কেন্দুনা মাঙখি। সুম খল্লিনি, কুকি লানমক থোক্লমদ্রসু মণিপুরগী শুমাং লীলাগী মপূন্সি তম্বা ঙল্লমদ্রবনি অদুবু লান্দা পাউথংনদুনা শুমাং লীলানা তূমখুল তানখিবসিদি হিংখিগদ্রা-শিখ্রগদরা কনানসু থৌওইনখিদ্রে হায়বনি। মপান ফনা, মশেক মঙাল নাইনা, মালেমগী আর্ট এন্দ কলচরবু পামজবা অখঙ-অহৈশিংনা ফাওবা এদ্যুকেসনগী মঙাল পীবা আর্ট ফোর্মনি হায়দুনা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা, ইকায়খুম্নরম্লবা মণিপুরগী (মরু ওইনা মীতৈগী) শুমাং লীলানা হৌগৎ-কাঞ্জৎ ঙমদনা মুৎখিবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। হিয়াং তান্নরিঙৈ তুম্বা'ই শেল থৌবা নত্তে লৈঙাকপু খম থেংনা ৱারৌই। নিরগতা পীবা, ৱাকৎলগতা মতাবা, তৌফম থোকপদা মাঙ থাদবা ঙসিগী লৈঙাক্না অসুক মতিক লৈখ্রবা আর্ট ফোর্ম অমা হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা লৈবগুম্না হিংবা-চঙবা মফম খঙদ্রিবসি কনগে খন্দ্রিবসি হাকমল্লি। ফীভমসি য়ৌখ্রে খঙলসু কুকি লান ৱাথোক্লুম ময়ায় লৈঙাক্কী অয়াবা লৌখিদোইরা হায়না ৱাথী ঙাঙনীংলকই। শুমাং লীলাবু খোয়দাজমনবনা শুমাং লীলাগী হিষ্ট্রি মমুৎ তানা নৈনহৌদ্রসু সিমদি খঙখি লীলাগী মমল কা হেন্না য়াম্মনখিবনা লীলাগী মহাও খঙলসু নকশিন্নরুবা ঙম্নখিদবনি। অমনা শেঞ্জাও পায়বশিংনা শুমাং লীলাবু শেন্দান লম্বী ওম্থোকখিবদগী অখন্নবা পার্টি খরা নত্তনা অয়াম্বা পার্টিশিং তপ্পা-তপ্পা লুপথখিবনি। খ্বাইদগী মচং ওইবা মরম অমনা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা শীংচেপ থাবা হৈবা খরনা অমনা-অমবু ইকায়খুম্নহনখিদবা লোয়ননা মচং ওইবা আর্টিষ্ট কয়ানা পেদ আর্টিষ্ট ওইখিবনা শুমাং লীলাগী মশক হোংহনখিদুনা পার্টি কয়া পামদা-পামদা ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদবনি। অতোপ্পা ফেক্টর কয়া'মসু লৈরি। হিংহন্নবগী পাম্বৈসু লৈরি, থিয়ু। কুকি লান্দা মশা ফংবদি লায়রদনা শরূ মচেৎ ফাওবা ফংহনখিদ্রবা ইচা-ইশুশিংগুম শুমাং লীলাবু পাঙ্গোংনা মহুৎ শিলহনবীনু।

**অদোমগী - এল বীমোলচান্দ, ইম্ফাল**

## এন ঐচ-২ অমসুং ৩৭তা ঈরাক্লদুনা লৈরকপা চহী য়ামশিল্লক্লে মণিপুর মীয়াম!!

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম মরম অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা অৱাবা তারক্লিবসি ঙসি ঙরাংতগী থোকপা থৌদোক ওইদ্রে। চহী য়ামশিল্লক্লে। মণিপুরদা মতম মতমগী ওইবা লৈঙাক্লোই কয়া লৈখ্রে। লৈঙাক্লোইশিংনা অফবা থবক কয়ামরুমসু তৌবীরমখি। তৌবা ঙমদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। মণিপুর হায়বা লৈবাকসিদা লৈরিবশিংসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা চীং অমসুং তম (চীংমী-তম্মী) শিংনা লৈরিবনি। মতম অমদদি চীংমী-তম্মী অনীসি অসুক্কী মতিক নুংশিননা লৈরম্মী। অৱা অনা অমত্তং তারকপদা অরৈ-অরৈবা পুথোক্লদুনা মতেং পাংনরম্মী। অমনা অমগী পেন্দবা লৈরবসু অমনা অমদা অৱাবা পীনরমদে। য়াম্না নুংশিননা লৈরম্মী। কয়া য়াম্না নুংশিননা লৈরম্বগে হায়ববু থৌদোক অমত্তং হেক থোকপদা পূন্না-পূন্না অৱাবা-নুংঙাইবা ওইরবসু শুকথা-থানরমদে, মতেং পাংনদুনা লাকখিবনি।

অসুক চহী কয়া নুংশিননা লাকখিবশিংদু ঙসিদি পূম্নমক কাউনখিবগুম তৌখ্রে। মসিবু করিগীনো? মণিপুরদা লৈরিবা চীংমী-তম্মী হায়রিবসিবু কনানো? কনানা মীতোপনো, কনানা মীতোপ নত্তবনো? ঐখোয়সি মচিল-মনাও নত্তবরা? নৎত্রগা ঐখোয়বু মশক খঙদবা গ্রহদগী লাকপরনে? চীংদা লৈবা ইচিল-ইনাওনসু তম্পাক্তা লৈবা য়াই। তম্পাক্তা লৈবনসু চীংদা লৈবা য়াইনা। করিগী য়ান্নদনি য়াই। মতমদু করিসু হায়নখিদে য়াম্না নুংশিননা লৈরকখিবনি। অদুবু ঙসিগী মীরোলসিনদি লোইনা পুমকাউ কাউথোক্লখ্রে। ঙসিদি ঐগী-মাগী লম হায়বা অপীকপা ৱাখল অমদা লৈনখ্রে। মখোয়গী থম্মোয়দা মীনুংশিগী ৱাখল অমত্তা লৈত্রে। পূম্নমকশিং নুংশিনরকই হায়বসি ঙসিদি ৱারী ওইনতা লৈরে, মদুসু কনানসু নীংশিংনদ্রে। চীং অমসুং তম তোঙান-তোঙানবা ৱাখল অমদা, মীনুংশি অমগী ৱাখল য়াওদনা লৈনরে। নুংশিনদবগী অচৌবা শম্বল খানরে।

চৎলিবা চহী ২০২৪ লোইগদৌরবা ফাওবদা এন ঐচ-৩৭ অমসুং ২গী নাক য়েৎতা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা লেপ্তুনা মীতৈশিংদা মখল অমা নৎত্রগা অমদা অৱাবা পীরিবসি লেপ্তুরি। লম্বীসিদা মণিপুর মীয়াম্না হিংবদা চঙবা মচাক কয়া লেপ্তুনা পুরকপদা গাড়ীশিংদগী পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেল মুনবা অমসুং দ্রাইভর কয়াদা ফূবা চৈবা তৌবীবা, পোৎ চৈ কয়া অয়াবা য়াওদনা চিংথহৌবা, য়াদ্রগা গাড়ী মৈ থাবনচিংবা কয়া চথদুনা লৈরি। মণিপুরসি চীং অমসুং তমদা লৈরিবশিংনা তৌনীং তৌনীংবতা তৌবা মফম অমনি হায়না খল্লবরা? মণিপুরসিদা অহল লৈরি, লৈঙাক্লোই কয়া লৈরি। মখোয়শিংসি লোইনা খঙলিবনি। মখোয় ইচম চম্বা মীওই নত্তে। অসিগুম্বা কাঙলূপকী লুচিংবশিংগী মরক্তা চীংগী ইচিল-ইনাওশিংগী মীহুৎশিংসু য়াওরিবনি। মচিল-মনাওশিংগী মরক্তা তাল্লিবা দিমান্দসিবু ফংগনি হায়না খল্লবরা? অসিগুম্বা দিমান্দসিনা মরাল লৈজদ্রবা ইচিল-ইনাও কয়া অমা শিখ্রবনি। শিখিবশিংগী থৌদাংদি লৈহৌরিবা, দিমান্দ তৌরিবশিংনা মমা-মপাশিংগী মীৎকী পিশিংদুদা তৈথোকপীবা ঙম্বরা?

এন ঐচ-৩৭ অমসুং ২গী নাক য়েৎতা লৈবিরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা অমসুং তম্পাক্তা লৈরিবা মীওই কয়ানা দিমান্দ খরা তানবগীদমক্তা ইচিল-ইনাও কয়া অমা ৱারক্লিবসি কুইমল্লে। লম্বীসি নুংশিজরবা গাড়ীশিংগী দ্রাইভর কয়ানা পুশিল্লক্লিবসি ঐখোয়-নখোয়গীসু শরুক য়াওরিবনি। ঙসি নাকল অনীনা অউ-অউবদা হাৎনরিবা, দিমান্দ খরগীদমক্তা শিনরিবসি কনা নত্তেনে, নখোয় ঐখোয়গী ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি। নুংশিনদবগী লান তোক্লসি। লাননা তোংজবা করি লৈখ্রবগে? লৈমায়দা অমুক্তা লুকথদুনা য়েংবীয়ু মরাল লৈজদ্রবা থৱায়শিংনা তেংথারিবা খোঞ্জেলদো ইচাশিং অমসুং নচাশিং-ননাওশিংগীনি। লাননা করিমত্তা কান্নবা পুরক্লোই। লৈবাক্তি লৈহৌগনি, চৎখিগদবদি মীওইবা খক্তনি। মসি কাউরোইসি।

**অদোমগী - ওইনাম কুঞ্জকেশোর, লাংজিং অচৌবা**

## [illegible]

[illegible]

[illegible]

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১) **"ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) **"শ্রীগোবিন্দ লীলামৃতম" (২০২২)** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"খোঙচৎ মপান্নাইদবগী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) **"ইরানয়াইদা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?

৫) **"নাকেন্থাগী য়েন্নীং"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।